# নিদো টানিয়ান হাৎখিবা থৌদোক্কী মায়োক্তা অৱাং নোংপোক্কী ছাত্রশিংনা খোঙজং চংশিনখ্রে

# দিল্লিগী চিফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালসু উন্নখ্রে

**ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১ ঃ** অরুনাচল প্রদেশকী কংগ্রেস লেজিসলেটর নিদো প্রবিত্রগী মচানুপা টানিয়ান হাৎখিববু অৱাং নোংপোক্কী ছাত্রশিংনা দিল্লিগী লাজপৎ নগরদা ঙসি থাংজ নুমিৎতা য়ানীংদবা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

দিল্লি পুলিসনা থৌদোক অদুগী মতাংদা অথুবা মতমগী মনুংদা চপ চাবা এক্সন লৌখৎকনি হায়না খঙহল্লকখ্রে হায়রি।

অরুনাচল প্রদেশ লেজিলেসচর নিদো পৱিত্রগী মচানুপা নিদো টানিয়ান নুমিৎ নিনিগী মমাঙদা দুকান্দারশিংনা ফূবগী থৌদোক অমদা লৈখিদবনি।

টি ভি চেন্নেল অমনা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না সেদ্যুল ত্রাইবগী মনুং চনবা ছাত্র অদুনা লৈখিদবদা সেদ্যুল কাষ্ট এন্দ সেদ্যুল ত্রাইব প্রিভেন্সন এট্রোসিটিজ এক্টকী মখাদা এফ আই আর লৌখৎলে হায়রি।

চহি ১৯ শুরবা কোলেজ তম্লিবা ছাত্র অদু যুমশকৈশা নুমিৎকী নুংথিল পূং ২ রোম তাবদা দুকান্দারশিংনা ফূবদগী শোকখি। মদু মহাক্কী শমগী ষ্টাইল অদুগা মরী লৈননা থোকখিবা থৌদোক্লি হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতুংদগী সেক্যুরিটিনা অৱাং নোংপোক্কী ছাত্রশিংদা অকনবা ঙাক-শেনবগী থবক লৌখৎখ্রে। দিল্লিদা হৌজিক হৌজিক নুপীগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইম কয়া মায়োক্লদুনা লৈরিবনি।

অৱাং নোংপোক্কী ছাত্রশিংনা চংখিবা খোঙজং অদুদা স্লোগান কয়াসু লাউখি। স্লোগানশিং অদুগী মনুংদা অৱাং নোংপোক্কী মীয়াম্বু ইহোক্তুনা থম্বগী মতাংদা অচুম্বা ৱায়েল পাম্মী হায়বনচিংবা য়াওরি হায়রি।

থোকখিবা থৌদোক অদু নুংনাংনিঙাইনি। থৌদোক অদুনা অৱাং নোংপোক্কী মীয়ামদা তোখায়বা মীৎয়েং অমা য়েংবীরি হায়না খোঙজং চঙশিনখিবশিংনা ফোঙদোকখি।

খোঙজং চঙশিনখিবশিংগী লুচিংবশিংনা ভারতিয়া জনতা পার্টিগী নোর্থ ইষ্ট লীদর হর্স বর্ধন উন্নখি। লোয়ননা হর্স ভর্ধননা থৌদোক অদুগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহ সিংহ অমসুং হোম মিনিষ্টর সুশিল কুমার সিন্ধে অমদি দিল্লিগী চিফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা চপ চাবা খোঙথাং অমা লৌরক্কনি হায়বা থাজে।


থৌদোক অদুগী মতাংদা দিল্লি পুলিসনা লৌখৎলিবা থবকশিং অদু য়েংশিন্নীংঙাই ওইরি। দিল্লি পুলিসনা খৎন-চৈনবা থোকখ্রবা তুংদা টানিয়ানবু ফাজিন্দুনা থমখি। মদুগী মতুংদা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা য়ানবা অমা পুরকখি।

টি ভি রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না থৌদোক অদুগী মতাংদা মেজেষ্ট্রিয়েল ইনক্বারি চথনবা ওর্দর তৌখ্রে হায়রি। লোয়ননা থৌদোক অদুদা চেন্নবা দুকান্দার অনী মশক মমিং খঙদোকপা ঙমখ্রে। মখোয়শিং অদুদি ফরান অমসুং অক্রমনি হায়রি।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা হৌজিক দেলি পুলিসনা মীওই ৩ ফাগৎতুনা ৱাহং পাউহং চথরি। অৱাং নোংপোক্কী এক্টিভিষ্ট অমসুং মীয়াম্না থৌদোক অদু কাঙলুপ নাইবা থৌদোক্লি হায়না মরাল শীরি। থৌদোক অদু প্রাইম মিনিষ্টরনা লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীফমদা খন্নগদৌরিবনি।

মমাঙদা মণিপুরদগী রাইঙমপি অওংসি কৌবী নুপী অমা মমাঙ চহিগী মে থাদা দিল্লিদা চিরাগতা লৈখিদবা অদুগী মতাংদসু খন্নগদবনি হায়না ক্লেম তৌরক্লি।

দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অসিগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংবু তোখায়না থম্নবা হোৎনরোইদবনি। মদু জাতি অসিগী শীংনবনি হায়খি।




## হায়খিবা ৱাফমশিং নীংশিংউ ইজ্জৎ শোকহনগনু ঃ এস সি



**ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১ ঃ** সুপ্রিম কোর্টনা ইরাই নুমিত্তা লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুশনগী মায়োক্তা চীফ মিনিষ্টর অমনা লৈবগুম্না মখোয়গী ইজ্জৎ শোকপা য়াবা থবকশিং মশা ঙাক-থোকচনবগীদমক তৌগনু হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মীওইবগী ইজ্জৎ হায়বসি পোৎকা পোৎকা শিন্নবা য়াবা ৱাফম অমা ওইনা লৌরোইদবনি, চাইনাদা চা পীথ-কপগুম খল্লোইদবনি নৎত্রগা সমুদ্রদা মুত্তং থিবা ওইনা খল্লোইদবনি। মীওইবগী ইজ্জৎ শোকপা হায়বসি অচৌবা অশোইবা অমনি। মদু তঙ্খায় অমা শিরবনি হায়না লৌগদবনি।

খুদোংচাবা খরগীদমক ইজ্জৎ মনতিন্তরোইদবনি হায়না জষ্টিস অনিল আরদেব অমসুং দিপক মিশ্রাগী বেঞ্চ অমনা ফোঙদোকখ্রে।

বেঞ্চ অদুগী জষ্টিস মিশ্রানা ফোঙদোকখিবদা, মীওই অমগী পুন্সিদা ইজ্জৎ হায়বসি খ্বাইদগী মরু ওইনা লৌগদবনি। অদুম ওইনমক, থৌদোক খরদদি ইজ্জৎতগী পুন্সিনা হেন্না মরু ওইবা য়াই। মদু ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুশনগী আর্টিকল নম্বর-২১গা থাদোক্লবা য়াদবা অমসু ওইরি।

থৌদোক অমদা পঞ্জাব অমসুং হরিয়ানাগী কোর্ট অমনা হান্নগী চিফ মিনিষ্টর ওম প্রকাশ চৌতালাগী কেস অমা লৌখৎলকখি। মদুনা মরম ওইরগা ইমপ্লোয়ী কয়া সস্পেন্দ তৌবগা লোয়ননা মখোয়গী মথক্তা শেন্দোইশিং রিকোভর তৌননবা পিটিশন অমা থারকপগী মতুং ইন্না ৱায়েল তাখি।

দিভিজন বেঞ্চ অদুনা ৱায়েৎ তাদনা মখোয়গী ওইবা জজমেন্ট অদু পীখি হায়না ফোঙদোরক্লি।

## মুম্বাইদা মল্টি দ্রগ রেজিষ্টেন্ট টি ভি নাবগী চাং ৱাংখৎলক্লি

**মুম্বাই, ফেব্রুৱারি ১ ঃ** চৎলিবা চহী অসিগী জনুৱারি ২৭ ফাওবদা টি বিনা নাবনি হায়বা মীওই ১৬,৮২৫ টেষ্ট তৌবগী মনুংদা মল্টি দ্রগ রেজিস্তেন্ট নাবগী চাং হেনগৎলক্লিবা হায়বা খঙবা ঙমখ্রে। খ্বাইদগী নৌবা দেতাগী মতুংইন্না ব্রিহান্ত মুম্বাই ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন্দা তেস্ত তৌখিবা মীওই ২৩১০ গী মনুংদা চাদা ৩৮ না মল্টি দ্রগ রেজিষ্টেন্ট টি বিনা নারে হায়বা খঙবা ঙমখি। সেনিয়র সিবিক টি বি ওফিসার অমনা ফোঙদোকখিবদা টি বিনা নারবশিংনা ফাস্ত লাইন টি বিগী দ্রগশিং থাবদা কান্নবা ফংদ্রে। লোয়ননা হীদাকশিং মতম চানা চাদনবা মরম ওইরগা মল্টি দ্রগ রেজিস্তন্ট টি বিনা নাবরোমদা ওন্থোরক্লি। হীরম অদুদা প্রাইবেত প্রেক্তিসনশিংনা মতেং খরবদি পাংলি। অদুমওইনমক মতেংশিং অদু শিংথানীংঙাইহদি ওইদ্রি। মুম্বাইদা ফংখিবা অনাবা ১২২ টি বি (এক্স দি আর টি বি) না নারে হায়বা খঙলে। মখোয়শিং অদু মল্টি দ্রগ থেরাপিনা লায়েংবা ঙমদ্রে। হীরম অদুগী মতাংদা সেন্ত্রেলগী হেল্‌ঠ সেক্রেটরি কেসব দেসি রাজু অমসুং ম্যুনিসিপাল সেক্রেটরিনা মুম্বাইদা য়েংশিংনবা লাক্লগে হায়রি।

## বি জে পিনা শক্তি পান্বদগী মীয়ামদা হূ কামশিল্লেঃ সোনিয়া গান্ধি

**ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১ ঃ** বি জে পিগী প্রাইম মিনিষ্টরগী কেন্দিদেট ওইরিবা নরেন্দ্র মোদিদা এটেক চথবা অমা ওইনা সোনিয়া গান্ধিনা বি জে পিনা শক্তি পান্বদগী হিংশা থোকহনবা য়াবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরক্লি। মদু লৈবাক অসিগী মীয়ামদা হূ কামশিনবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

কংগ্রেসকী লুচিংবা অদুনা রেল্লি অমা লমথারদুনা হায়খিবদা, বি জে পি অমসুং চৎমিন্নরিবা পার্টিশিংনা খল্লিবা ৱাখল অদু শক্তি অদুখক্তনি। মখোয়না শক্তি পূন্নমক পায়বা পাম্লি।

মীয়াম্না মখোয়গী অদুগুম্বা ৱাফম অদুদা থাজরোইদবনি। মহাক্না খল্লি মদুদি- মখোয়না চথরিবা থৌওংশিং অদু হূ কামশিনবনি। মখোয়গী তোখায় তাহনবা রাজনিতিগী থৌশীল অদুদা থাজরোইদবনি। ধর্ম্মদা মীচং মীখায় নাইদবা লৈবাক অসিগী ৱায়েলদা পার্টি অদুনা রাজনিতি শান্নদুনা হিংশা থোকহন্নবা হোৎনরে হায়রি।

বি জে পিনা সোনিয়া গান্ধিগী ৱাফম অদু য়ানীংদবা ফোঙদোকপা অমা ওইনা পার্টি অদুগী স্পোক্সপর্সন রাজিব প্রতাপ রুদিনা হায়খিবদা, কংগ্রেস পার্টিনা ইং ২০১৪দা শোয়দনা মায়োক্লরগনি। মখোয় গুজরাটতা ইং ২০০৭ নরেন্দ্র মোদিগী মখূৎতা মায়থীখিবা অদুগুম্না হন্দকসু মায়থীরগনি হায়খি।

সোনিয়া গান্ধিনা মোদিগী ৱাফম-শিংগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, মখোয়না শক্তি পান্বগীদমক অকনবা থৌরাং লৌখৎলি। মখোয়দা হংনিংলি মদুদি লৈবাক অসিগীদমক মখোয়না অফবা করি তৌবা ঙমগদৌরিবগে। মখোয় করিসু তৌনিংঙাই লৈতে, মখোয়গী ৱাখল্লোন্দি শক্তি পায়বা অদুখক্তনি।

লৌতুনবগা লোয়ননা পার্টি অদুনা অঙম্বা থাক্তা শক্তি পায়নবা হোৎনরি। লৈবাক অসিগী মীয়াম্না মখোয়না চথরিবা থৌশীল অদু ময়েক শেংনা খঙই। সোনিয়া গান্ধিনা খুদোম্বি থিল্লদুনা হায়খিবদা, হায়দ্রবাদ-কর্নাটকাগী অৱাং থংবা শরুক্তা থোকখিবা থৌদোকশিং অদুনা তাক্লবনি।

কংগ্রেস প্রসিদেন্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ওপোজিশন পার্টি অদুনা শক্তি পায়শিন্নবা হোৎনরি। অদুগা মহাক্কী পার্টিনা লৈবাক অসিগীদমক অমদি মীয়ামগীদমক করি তৌসি হায়না খল্লি হায়খি।

শক্তি পান্না ঙাওরবা ওপোজিশন পার্টিনা তেঙ্গন তেঙ্গনবা লৌতুনবগী থবক কয়া শক্তি পায়ননবগীদমক হোৎনরকখিবা য়াই। অদুগুম্বা থৌশীল অদুদগী মীয়াম্না চেকশিনবা তঙ্গয়ফদে হায়খি।



## কোলেজ ছাত্রি অমনা ইজ্জৎ তেমশিংনরকপা মতৈ হাৎখ্রে

**চেন্নাই, ফেব্রুৱারি ১ ঃ** মাধবরাম মিল্ক কোলোনিদা বিকোম তম্লিবী চহী ২৩ শুরবী ছাত্রি অমনা ইজ্জৎ তেমশিং-নরকপা মহাক্কী মচে লৌবা মতৈ থাঙনা থিনদুনা হাৎখ্রে।

পুলিসনা ছাত্রি অদু শগোলশেন নুমিৎতা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ফারে। মহাক মপা লৈখিদ্রবা মতুং চহী ২৮ শুরবী মচে হেমাগী ময়ূমদা থা খরগী মমাঙদগী লৈরকখিবনি।

নুপীমচা অদুগী মচে হেমা মাধবরাম কোর্পোরেশন হোস্পিটাল অমদা ষ্টাফ নর্স ওইনা থবক তৌবনি অদুগা মহাক্কী মপুরোইবা মেথিও বিনোরাজ (৩২) অনানগরদা লৈবা রেন্টর ওফিস অমদা থবক তৌবা মীওইনি। মখোয়গী চহী ৮ শুরবা মেরলিন জোসেফ কৌবা মচানুপা অমা লৈরে।

মেথিও হায়রিবা মীওই অদুনা নুমিদাং খূদিংগী য়ু থক্তুনা হল্লক্লগা ছাত্রি অদুদা খুদোংচাবা লৌননবা তত্তনা হোৎনৈ হায়না মাধবরামগী ইন্সপেক্টর কে কৃষ্ণমুর্ঠিনা ফোঙদোরক্লি।

মেথিও মহাক্কী লোয়নবী হেমা, মনেম্বোক অমসুং নুপীমচা অদুগা পূন্না টেলিফোন কোলোনি অদুদা লৈরকখিবনি। অদুগুম্বা থৌদোকশিং অদু তৌদনবা মহাক্কী নুপী অমসুং মনেম্বোকনা কয়ারক হন্না ৱার্নিং পীবা লৈখ্রে।

শগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা মেথিও য়ু কা-হেন্না ঙাওরদুনা ময়ূমদা হল্লকখি। তুংদা মহাক্না নুপীমচা অদুবু কা অমদা চিংশিনদুনা থোঙ লোনশিনখি।

হেমা অমসুং মনেম্বোক লিলিনা কা অদুগী মনুংদা নুপীমচা অদুনা কপ্পুনা মতেং পাংবীনবা লাউরকখিবা অদু তাখি। মেথিওদা থোঙ অদু হাংদোকনবা হায়বদা কান্নবা ফংখিদে।

মেথিওনা নুপীমচা অদুবু ফাখি। তুংদা নুপীমচা অদুনা নাম্থোকনবা হোৎনবগা লোয়ননা কা অদুগী মনুংদা কোইচেন চেনখি।

মেথিওনা য়ু ঙাওবা অদুনা মরম ওইদুনা খোঙফম চুমদবদগী লৈমাইদা তুশিনখি। তাঞ্জা অদুদা নুপীমচা অদুনা চাকখুমদা শীজিন্নবা অচৌবা থাঙ অমা থেংনখি। থাঙ অদু পায়দুনা মেথিও তমনা চোংশিনদুনা মরাইবক্তা য়ানখি। মদু ফাওবদা মেথিওনা হৌগৎলক্তুনা নুপীমচা অদুবু ফানবা হোৎনখি। মদুদা নুপীমচা অদুনা মহাক্না পায়রিবা থাঙ অদুনা মেথিওগী খৌরি চরমদা লেন্থৎখি। লোয়ননা থাঙ অদুনা হঞ্জিন হঞ্জিন থিনখি হায়রি।

অঙাংবা ঈনা চাইরবা কা অদুগী মনুংদা থৱাই য়াওদ্রবা মেথিওগী হকচাং তাদুনা লৈখি। মতম অদু ফাওবদা মহাক্কী নুপী হেমা অমসুং মনেম্বোক লিলি কা অদুগী মপান্দা লৈখি।

মখোয়না থোঙ অদু হাংদোক্লবা কন্না লাউখি। তুংদা নুপীমচা অদুনা ঈ তৈরবা ফিজোলশিং অদুগা লোয়ননা থোঙ অদু হাংদোরকখি। লোয়ননা করি থোকখ্রবগে হায়বদু পাউ দমখি। খূদক্তা মাধবরাম পুলিসতা পাউ পীবগা লোয়ননা মহাক্না মহাক্কী মতৈ হাৎলে হায়না ফোঙদোকখি।

খূদক্তা পুলিসশিং চঙশিল্লক্তুনা নুপীমচা অদু ফাখি। নুপীমচা অদুনা পুলিসশিংদা ফোঙদোকখিবদা, মহাক মশা কঞ্জনবা হোৎনবদা থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়না পাউদমখি।

পুলিসনা নুপীমচা অদুগী মচা অদুগা লৈখিদ্রবগী লোয়নবী হেমানা থৌদোক অদুগী মরিক চুম্বা ৱাফমশিং পুলিসতা ফোঙদোকখি।

থৌদোক অদুবু থিজিল্লিবা কাঙবুশিংনা য়ূমথংনবদা লৈবশিংগীসু ৱারোল লৌখি। মেদিও হায়রিবা মীওই অদুনা নুপীমচা অদুবু কয়ারক হন্না ইজ্জৎ লৌনবা হোৎনখি হায়না য়ূমথংনবশিংনা ফোঙদোরকখি হায়রি।

ইন্সপেক্টর কৃষ্ণমুর্থিনা ফোঙ-দোরকখিবদা, নুপীমচা অদুনা মশা ঙাকথোকচনবা হোৎনবদা থৌদোক অদু থোকখিবনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা নুপীমচা অদুনা য়ূমলোন্নব-শিংদা ৱারী শারম্বা লৈখি। মদুগী মতুং ইন্না পুলিস ওফিসরশিংনা য়ূমলো-ন্নবশিংদা মেথিওনা করি করি চথখিবগে হায়বগী মতাংদা ৱাহং-পাউহং চথখি।

য়ূমলোন্নবশিং অদুনা থিজিনবা কাঙবু অদুদা ফোঙদোরকখিবদা, মেথিও অমসুং মহাক্কী মরূপ-মপাংশিংনা য়ু থক্লবা মতুং চথরকখিবা থৌওং অদু পেন্দবা কয়া লৈখি হায়না নুপীমচা অদুনা ফোঙ-দোক্লমখি হায়রি।



## অচুম্বদু খঙমিন্নসি

### মালেম লৈকোইপুংগী ৱাংমদা-১১

মালেমগী অনিশুবা লাঞ্জাও মমাংদা মালেমগী লৈবাক পূম্ববু খুদুম চন্দুনা থম্বা ঙমখিবা বৃটেন, অহাংবা মালংদা রোকেট থাগত্তুনা চথবা থিজিন-হুমজিনবদদি শরুক য়াবা ঙমদনা মতম কুইনা লাকখি। অদুবু ইং ১৯৯১গী মে ১৮ নুমিৎসিদা বৃটেনগী এষ্ট্রোনোট হেলেন শর্মন হায়বা অমদি সোভিয়েটকী মির স্পেস ষ্টেসন্দা চৎখি। স্পেস ষ্টেসন্দুদা মহাক হাপ্তা অমা লৈকি। মসিগী তুংদা সোভিয়েটকী মির স্পেস ষ্টেসন্দা খ্বায়দগী মতম শাংনা লৈখিবা এষ্ট্রোনোট অসি অমেরিকাগী শান্নোন লুসিদ কৌই। এষ্ট্রোনোট নুপী অসিনা মফমদুদা নুমিৎ ১৮৮ নি লৈখি। লুসিদ হায়বী নুপী অসি চাইনা পোকখিবনি। মির স্পেস ষ্টেসন্দা লৈখিবা মতমদুদা মহাক্কী চহি ৫৩ শুখ্রে। মালেম লৈকোইপুংসিগী এটমোস্ফিয়ারগী ৱাংমদা হৌজিক মথৌ তৌদুনা লৈরিবা মালেম পূম্বগী লৈবাকশিংনা শীজিন্নরিবা ইন্টরনেসনেল স্পেস ষ্টেসন অসি ইং ১৯৯৮দগী শাগৎপা হৌখিবনি। চহিসিগী দিসেম্বর তাং ৪ দা স্পেস ষ্টেসন অসিগী ফার্ষ্ট ফেজদু অহাংবা মালংদা থমদুনা ইষ্টাব্লিস তৌখি। ইন্টরনেসনেল স্পেস ষ্টেসন অসি পানখৎপা লোয়রবা তুংদা ইং ২০০০গী নবেম্বর তাং ২ দা অমেরিকাগী এষ্ট্রোনোট ক্রিউ অমগা রসিয়াগী এষ্ট্রোনোট ক্রিউ অমগা মফমদুদা থুংখিবগা লোয়ননা ইন্টরনেসনেল স্পেস ষ্টেসন্দা লৈবা অহানবা এষ্ট্রোনোটশিং ওইখি। ইং ২০০১ দদি য়ু এসকী মিল্লিয়ার দেন্নিস টিতোনা ইন্টরনেসনেল স্পেস ষ্টেসন অসিদা চত্তুনা মালেমগী ওইনা অহানবা স্পেস টুরিষ্ট ওইখি। রসিয়াগী স্পেস ক্রাফ সোয়ুজ টি এম-৩২ না মহাকপু মালেমদগী পুখিদুনা চহিদুগী এপ্রিল ২৮ দা স্পেস ষ্টেসন্দুদা থুংখি। রসিয়াগী স্পেস ক্রাফ অদু শীজিন্নবগী মমল ওইনা দেন্নিস টিতোনা দোল্লর মিল্লিয়ন ২০ পীখি। চাইনাসু ইং ২০০৩ দগীদি অহাংবা মালংদা খূৎথাবা হৌখিবা চহিসিগী ওক্তোবর ১৫ অমদি ১৬তা চাইনানা শেনঝৌ-৫ থাগত্তুনা লাং লিটবু মালেমগী ওর্বিৎতা নিপাল্লক কোইহন্দুনা মহাক্না চাইনাগী অহানবা এষ্ট্রোনোট ওইখি। ইং ২০০৫গী ওক্টোবৰ ১২দা শেনঝৌ-৬ থাগৎখি। মদুদা চাইনাগী এষ্ট্রোনোট অনি য়াওদুনা ওক্তোবর ১৬ ফাওবা অহাংবা মলংদা লৈখি।

CFC
(CENTRE FOR COMPETITORS)
Special coaching
SSC COMBINED GRADUATE 2014.
Date of Advertisement -18-01-2014
Date of examination - 27-04-2014
Last date of admission: - 28th Jan' 14
Contact: - Centre for Competitors
Old Lambulane, Jail Road,
Opp. - G.P College Ph- +91-9612482676
Class commencing from 29th Jan'14.
Morning 6:30 – 9:30 a.m
Evening 2:00 – 5:00 p.m

COCI
Combined Coaching Institute
URIPOK KHOISNAM LEIKAI, OPPOSITE OIL PUMP (IMPHAL)
A mission for a better society
ADMISSION OPEN
ADVANCED FOUNDATION COURSE
Oiram Napoleon
W. Mustakim
* CLASS X (BOSEM)
Eng, Maths, Sc., S.Sc. Man, Adl. Eng.
NEW BATCH
Class commencing from
3rd February, 2014
* CLASS XI & XII Sc.
Phy, Chem, Maths, Bio & Eng
Classes commencing from 1st Week of April, 2014
Facilities:
Separate Hostel for Boys & Girls and Van Service
* ADMISSION FORM AVAILABLE DURING OFFICE HOURS
CLASS SCHEDULE
Morning : 05:30 to 08:30 am.
Evening : 04:15 to 07:15 pm.
FOR DETAILS PLEASE CONTACT,
OFFICE, COCI

8 GB pendrive free on HP 1510 all in one printer @ 3890/- limited stock
Introducing
PROJECT 21
* Free Xerox facility for undergraduate student Paper charge extra.
* Eco friend recycling toner exchange offer with old toner with new one at amazing Price
Experience the power of Desktop
• Intel Daul core, Hdd 160Gb,Ram 2Gb DDR3, Intel chipset Mainboard,15.6" LED monitor, -@ 15,700/-
• Intel core 2 duo, Hdd 160Gb,Ram 2Gb DDR3, Intel chipset Mainboard,15.6" LED monitor, -@ 16,800/-
• Intel core i3 3rd gen, Hdd500Gb,Ram 2Gb DDR3, H61 Mainboard,15.6" LED monitor, -@ 24,800/-
UPS FREE @ 1,600/- On every Desktop
Laptop HP 1000 :- AMD Daul core, 2GB Ram, 500GB, Windows 8 @ 25299/-
Laptop HP 2000 (2d28tu) i3 3rd gen, ram 2gb, 500 gb, 15.6" screen @ 31,399/-
Laptop Asus FX1110 AMD dual core, ram 2gb, 500Gb, 15.6" screen @ 21,299/
Laptop Samsung N300 i3 3rd gen,ram 2gb, 500gb, 15.6 screen @ 29500/-
Kyocera Digital Xerox machine with printer card and colour scan Task alfa 1800 @ 47000/- (by order)
Please visit 8575257697
S.K .TECHNOLOGY
3rd floor Bajaj TLC Building, opp UBI bank
Thangal bazar M.G. Avenue, Imphal west
16GB pendrive free on every Laptop Condition apply
hp ASUS KYOCERA acer